# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 09-05-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থদুনা লালাহৌবা অমদি ড্রগ লল্লোনবা কয়া ফাগৎলি।

২) রাজ্য অসিদা পনদুনা লৈরিবা কেসশিং অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা ঙসি নেসনেল লোক অদালট পাঙথোক্কনি।

অমসুং

৩) নোংচুপ বঙ্গলাদা সুবেন্দু আধিকারিনা ঙসি রাজ্য অদুগী ইহান হানবা বি.জে.পি মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌরগনি।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চিংনবা মফমশিংদা থি হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসন লেপ্তুনা চত্থরি।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমনা ঙরাং থোকখিবা চেরোল অমদা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা থা অসিগী ৭ তা চুরাচান্দপুর জিলাগী জো ভেংদগী কে.এন.এ(বি)গী মীওই অমা ফারে। মঙোনদগী নাইন এম.এমগী পিষ্টোল অমা, মেগজিন অমা, নোংমৈ মরু তরেৎ ফংলে। নুমিৎ অসিমক্তদা ইম্ফালগী ৱাংখৈ কোনুং মমাংদগী প্রিপাক্কী মীওই অমসু ফারে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী হিয়াংথাংদগী কে.ৱাই.কে.এল (সোরেপা)গী মীওই অমসু ফারে। মণিপুর পুলিসনা ঙরাং চুরাচান্দপুর জিলাগী কে. সারোনফাই খুলদগী মীওই অমসু ব্রাউনসুগরনি চিংনবা

কিলোগ্রাম ১ গ্রাম ৩৬০ গা কোন্ননা ফারে। কাংপোকপী জিলাদা লন্বীদা চৎপা ত্রকশিংদগী নমদুনা শেল খায়বা মীওই অনিসু ঙরাং পুলিসনা ফারে।

পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অদুনা মখা তানা হায়- থা অসিগী ৭ তসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা সেনাপতি জিলাগী টি. খুল্লেন নাকা চ্যেক পোইন্টতা গাড়ি অনিদগী মীওই অনি ব্রাউনসুগরনি চিংনবা কিলোগম ১ গ্রাম ১৪০ গা কোন্না ফাখি।

এক্সিদেন্ট (এল)ঃ নেসনেল হাইৱে-১০২ গী খোংজোমদা ঙরাং নুমিদাং বোলেরো অমগা হোন্দা দাইও অমগা থেংজিন্নবদা মীওই অমা শিরে। ঐখোয়গী থৌবাল পাউমীনা হায়- ঙরাং নুমিদাং পুং ৭ খরা হেল্লকপা অদুৱাইদা ককচিংলোমদগী লাকপা বোলেরো গাড়ি অমগা কোংজোম লোমদগী লাকপা হোন্দা দাইও অমগা থেংজিন্নবদা হোন্দা দাইও অদু থৌরকপা মীওই অদু লৈখিদবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে।

ইন্সপেক্সন (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ঙরাং কোলকাতাগী সোল্ট লেকতা লৈবা মণিপুর ভবন য়েংশিনখ্রে। ভবন অসি মমাং চহিগী সেপ্তেম্বর ১৩ দা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা শঙ্গাখিবনি। মসিনা মণিপুরীশিংনা মফম অদুদা চৎপদা মতেং ওইরি।

রেড ক্রোস (এল) ঃ মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু ঙরাং ‘য়ুনাইটেদ ইন হ্যুমেনিতি’ হায়বা থিমদা মালেমগী রেড ক্রোস নুমিৎ পালন পাঙথোকখি।

ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা শিন্দুনা ইম্ফালগী এম.জি. এভিন্যুদা লৈবা মসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা মপুং ওইবা থৌরমদা ৱা ঙাংখিবশিংনা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতিনা লৌরিবা থৌদাংবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

বিষ্ণুপুর জিলাদসু নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা শিন্দুনা দি.সি. কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনারসু ওইরিবা, ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট পুজা এলাংবমনা হায়- রেড ক্রোস সোসাহতিগী ভোলুন্তিয়ারশিং অসি মশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা মীয়ামগী সেবা তৌনবগীদমক থোরক্লবা মীওইশিংনি।

নুমিৎ অসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শওম্বুংদা লৈবা বিরমঙ্গোল কলেজদসু পাঙথোকখি।

লোক অদালট (এল)ঃ কোর্টশিংদা পনদুনা লৈরিবা কেসশিং অথুবা মতমদা লোইশিনবা ঙমবগীদমক মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা কোর্ট কমপ্লেক্স অমসুং দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট পুমমক্তা নেসনেল লোক অদালট পাঙথোক্কনি।

বেঙ্গল ঃ নোংচুপ বঙ্গলাদা সুবেন্দু আধিকারিনা ঙসি রাজ্য অদুগী ইহান হানবা বি.জে.পি মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌরগনি। ৱাশক লৌবগী থৌরম কোলকাতাগী ব্রিগেদ পেরেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ, বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট নিতিন নবিন, কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং, এন.দি.এনা সরকার পায়বা রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিং শরুক য়ারবা য়াই।

শ্রী আধিকারিবু ঙরাং ষ্টেট বি.জে.পি লেজিসলেচর পার্তিগী লুচিংবা ওইনা খনখিবনি। কোলকাতাদা পাঙথোকখিবা লেজিসলেচর পার্তিগী মীফম অদুদা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা সভাপতি ওইখি। মদুগী তুংদা শ্রী আধিকারিনা রাজ্যপাল আর.এন. রবিগা উন্নদুনা সরকার শেমবা দাবী তৌখিবনি।

তামিল ঃ তামিলনাদুদা টি.ভি.কেগী মকোক সি. জোসেপ বিজয়না লুচিংবা সরকার অমা শেম্বগী মতাংদা লৈখায় তাবা ঙমদনা লৈরি। সরকার শেম্বদা আই.য়ু.এম.এলনা টি.ভি.কেবু শৌগৎপগী ৱাফম অদু তোকখিবদগী ফিভম অসি ওইরকপনি। মসিগা লোয়ননা ৱাশক লৌবগী থৌরম ঙসি পাঙথোক্কনি তৌরম্বদু তোকখ্রে। মসিগী মমাংদা এক্তরদগী রাজনীতিদা চংলকখিবা বিজয়না মহাকপু মশিং য়াম্বা সদস্যনা শৌগৎলি হায়রদুনা ঙরাং রাজ্যপালগা অমুক হন্না উন্নদুনা সরকার শেম্লগে হায়খিবনি।

মরক অসিদা, ইন্দিয়ান য়ুনিয়ন মুস্লিম লিগ (আই.য়ু.এম.এল)গী মকোক প্রোফেসার খাদর মোহিদিননা হায়- মহাক্কী দলনা টি.ভি.কেবু শৌগৎলে হায়বগী চেরোল পীখিবা লৈতে।

পুদুচেরি ঃ পুদুচেরিদা নেসনেল দেমোক্রেতি এল্লায়েন্সকী মুখ্য মন্ত্রিগী মীরেপ এন. রঙ্গসামিনা উপ-রাজ্যপাল কে. কৈলাস নাথনগা উন্নদুনা সরকার শেমবা দাবী তৌখ্রে। শ্রী রঙ্গসামিনা মহাকপু মশিং য়াম্বা এম.এল.এনা শৌগৎলি হায়বা চেরোল অমসু উপ-রাজ্যপালদা পীশিনখি। রাজ্যপালগা উন্নবা অদুদা এন.দি.এদা চুংশিন্নরিবা এম.এল.এশিং অমদি দলশিং অদুগী লুচিংবশিংসু য়াওখি।

মদুগী মমাংদা, এন.দি.এদা য়াওরিবা দলশিং অমদি নৌনা কারবা এম.এল.এশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্লুনা শ্রী রঙ্গসামিবু মখোয়গী লুচিংবা ওইনা খনখি। মীফম অদুদা ওল ইন্দিয়া এন.আর. কংগ্রেসকী এম.এল.এ ১২, বি.জে.পিগী এম.এল.এ ৪ অমসুং এ.আই.এ.দি.এম.কে অমদি এল.জে.কেগী এম.এল.এ অমমম য়াওখি।

এসসি ঃ নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ)না থিজিনবগী থবক চথুরিবা পনদুনা লৈরিবা কেস ১০ দগী ১৫ ফাওবা য়েংশিন্নবা য়ামদ্রবদা স্পেসিয়েল কোর্ট অমা লৈহন্নবা সুপ্রিম কোর্টনা ঙরাং হুকুম তৌখ্রে। চীফ জষ্টিস শুরিয়াকান্ট অমসুং জষ্টিস জোয় মালিয়া বাক্সিগী বেঞ্চ অমনা হায়- হায়রিবা

অখন্নবা কোর্টশিং অসি থা অমগী মনুংদা লিংখৎকদবনি। সু মোতো কেস অমগী বিচার চথ্খবদা খ্বাইদগী মকোক থোংবা কোর্ট অসিনা হায়- স্পেসিয়েল কোর্টশিং অসিনা অতৈ কেসশিংদি পায়খৎলোইদবনি অমসুং বিচারশিং অদু দে-টু-দে বেসিসতা চথ্খগদবনি। বেঞ্চ অদুনা মখা তানা হায়- স্পেসিয়েল কোর্টকী জজশিংনা থা অমদা য়ামদ্রবদা কেস ১ গী বিচার চথ্খবা লোইশিনগদবনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস টেন পরিক্ষাগী ফাল লাউথোকখ্রে, পাস তৌবগী চাং চাদা ৮৮.৭৪ (মরিফুনিপাল দসমিক তরেৎ মরি) ওইখি হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি  গানফিউ মেলদা অহানবা অমসুং শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনঅনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

গভর্নমেন্টনা কামজোংগী মীয়াম্বু মী ওইনা উদে, মীয়াম কয়াম কুইনা খাঙদুনা লৈখো হায়বনো হায়না এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট ওক্রম ইবোবীনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা পোকফম পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঐচ.এস.এল.সি একজামগী ফল লাউথোকখ্রে, আই.দি.পি মহৈরোই ৩২৭ পাস তৌরে হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

ঐচ.এস.এল.সি একজামগী ফল লাউথোকখিবা পাউ অসি মণিপুর মেলদসু অহানবা লাময়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরি।

ফোরেন এগ্রেসন ওইগেরা, ইন্তরনেল এগ্রেসন ওইগেরা, তুমিন্না লৈবা চুমদে হায়বা এম.সি.পি.সি প্রসিদেন্ট ওক্রম ইবোবীনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সুবেন্দু আধিকারি ঙসি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরগনি, মণিপুরগী সি.এম. ৱাশক লৌবগী থৌরমদা শরুক য়ানবা ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়বা পাউনা নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন

তৌরি। পাউ অসি সনালৈবাক্তসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা কে.এন.এ-বিগী লানদা নুপী অমা য়াওনা মীওই ৪ মফম খঙদ্রি, নাগা মীচমশিং খুদক্তা থাদোরক্কদবনি হায়বা অন্সমগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

য়ু.এন.এস, অন্সমনা কামজোংগী থৌদোকপু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকপগী পাউনা পিপলস ক্রোনিকলদা অহানবা হেদলাহন তৌরি।

কামজোংদা এটেক চথুখ্রবা মতুং, চুরাচান্দপুরদগী কে.এন.এ-বিগী কাদর অমা ফাখিবগী পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা ফয়ার সেফতি মোক ড্রিল পাঙথোকখিবগী পাউ অমসুং হয়েং তামিলনাদুগী চীফ মিনিষ্টর ৱাশক লৌরগনি হায়বা পাউনা গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------